# ‘মীতৈশিংগী খাঙবা ঙম্বগী পনখে’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র

শেলনা ঙমদবা লৈতে হায়বা ৱাখল্লোনসিনা মাঙ থারগা ঠিকা-সপ্লাই তৌগেরা, য়াম্না থুনা শেল পায়বা য়াবা মখল-মখাগী করবারশিং তৌরগা শেঞ্জাউ তানশিল্লগা ইলেক্সন থেংনবা, মদুদা শেলয়াম তিংথোক্লগা মরাইবক চান্নরুদনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরকপা কয়া’মা য়াওনরিবনি লৈবাকসিদা। মীয়াম্না খল্লকপা মীহুৎশিং, মহে মশীন হৈবা, কথোকপগী মগুণ চেনবা, ওল্লক্লিবা মালেমগী পোলিটিকেল সিনারিও অসিগা চুশিন্ননা চৎপা ঙম্বা পূন্নমকসি দরকার ওই। অদুবু পঞ্জাখ্রিবশিং অসি ৱাৎপনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফববুদি মশাগী য়াইফবনা, ওইজবনা মাঙ থাবনা লৈবাক মীয়ামগী পুন্সি নুংঙাইনা হিংবা ঙমদে। থোইদোক্না লৈবাক্কী লুরবা তানফমদা মাগী মপা লৈজদ্রবা মীওইগী মতৌগুম মীচম মীয়ামগী পুন্সি তংদু লৈতাদে। য়েক্লবশিংনা লাঙ্গৌই চনশিল্লক্লবদা ঙাকপী শেনবীনবা কনা লৈজদ্রবা জীবগুম কনবীনবা কনাসু লৈতনা উনা-উনা য়েক্লবশিংগী মখূৎতা তাখিবগী ফীভমদা লাকই। মসিগী তংদু লৈতাদবা পূন্সি মহিং অসিনি ঙসি লোইজি-লোয়াদা হিংলিবা মীতৈশিংগী পূন্সি।

নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা মরাল শুংলৈ লৈজদবা মীতৈশিংদা অতম্নন লান্দারক্তুনা চীংয়া তময়াদা হিংলিবা চম্না পূন্সি লেঞ্জরিবশিংদা অৱা-চৈথেং পীরকপা থাবুম তরুক হেনখ্রে। য়ূমদগী থৱায় হিংনবা লাঞ্জেন্নরকখিবা মীতৈশিং, য়ূমগী অমদি অকোয়বা, মীরোল তারকঁৌদগী লোয়নজরক্লবা খুঙ্গংগী শক্তম অমুক্তং ফাওবা উজগে হায়বা উজবা ফংদ্রবশিংগী থম্মোয় নুংদা ইশাগী ইয়ুম ইশাগী খুঙ্গংদুবু নীংশিংলুরগা করি ৱাখল ফাওনরমগনি। অকি-তুজুংলবা থৱায় হিংনবা চেল্লকপদা থেংনখিবা থৌদোক পূন্নমক্তুনা লাইমন ওইনরিবনি। নুংঙাইতে, নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংবু য়াম্না লাকচনা তৌবা মীতৈশিংগী থম্মোয়নুংদা য়াম্না পেন্দে। অৱা চৈথেং নংলবা মীতৈশিংগী মঙাল মরীক য়াওদ্রবা মায়থোঙ করম্বা মতমদা মোমোন নোক্কনি মহৌশাগী মীনোক তম্বা ঙমদে। তম্বা ঙমদবা পূন্সি মহিং অমদনি ঙসি মীতৈশিংনা হিংলিবা। করম্বা মতমদা লমদমসিদা ঈং-তপ্পা লাক্কনি তম্বা ঙমদে।

লৈঙাক্না ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়বসি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা, করিদগী করম্না ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়রিবা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবনা। মরমদি নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপথরকপা ঙাইহাক ব্রেক লৌরুবা মতমদা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হেক হায়বগা নোংমৈ, বোম মখোল অমুক তাহল্লকই। ঈং-তপ্পা লাক্লে হায়বগী অৱাই-অখুম্নি, ঈং-তপ্পা লাক্তরি লাকহল্লোই, লান লেপত্রি হায়বনি। ষ্টেট ফোর্সশিংনা মণিপুরগী ঈরাং লাকশিনবা ঙমদ্রে হায়বগী ফীভমদা লানসি হেক হৌরকপদগী সেন্ট্রেল ফোর্স কয়া লমদমসিদা হোনজিল্লকখি। অদুবু লাক্লিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং অমসুং ষ্টেট ফোর্সশিংনা লোইজি-লোয়াদা খুন্দারিবা মীতৈ মীয়ামগী পূন্সি ঙাকপী শেনবীবদা শাফরক্তবগী ফীভম লাকপনা অততাই ওইনা খুঞ্জাশিংনা অরৈ-অরৈবা খূৎলায় শীজিন্নদুনা খুল ঙাকচরকখিবনি। খূৎলায় অফবা পায়বা নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংগী মখূৎতা মীতৈ খুঞ্জা অথৌবা কয়া ইমা লৈবাক্কীদমক্তা মথ্বায় থাখ্রে। মীতৈগী থৌনা উৎখ্রে। ঙসি ঙসিমকসু হুরানবা দ্রগ লল্লোনবা নার্কো কুকি-জৌ ফূরুপকী মীওইশিংনা মীতৈগী খুলশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপা লেপ্তুরি।

নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা তাল্লিবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পীগদবসু নত্তে অদুগা অমুকসু মীতৈ মীয়ামদা করি মরমগীদমক্তা লান্দারক্লিবা? মীতৈশিং কিদুনা চেনখ্রগা মণিপুরগী তম্পাক্লম য়াওনা লৌশিল্লগা মখোয়গীনি খঞ্জরিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট মঙা মখোয়গী খূবাম্নুংদা থমগে অসিনি। মদুগী মখা তারকপনা মথংগী পোরম অমুক য়াৎলকপা অসিনি। মঙদা মঙ্গ্রা তানবনি মখোয়গীসি, মখোয়গী মপা মপুগী লমসু নত্তবা ইরমদম মণিপুরসিবু থুগায়নবা হোৎনরক্লগা মীতৈশিংনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈগদরা? লৈরোই মীতৈ ইপা-ইপুশিংনা মশাদগী শিন্থরকপা ঈতনা য়াৎলম্বা মণিপুরগী ঙমখেনি। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম মীতৈশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ঙাক্লকখিবনি। ঙসিসু ঙাক্লি। মতাংসিদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপ অতৈনসু মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা হোৎনরক্লিবা হুরানবা দ্রগ লল্লোনবা কুকি-জৌ ফূরুপকী মায়োক্তা লৈফম থোকই। মখোয়না নমদুনা থোকহনবা লান অসিনা কাঙলূপ ফূরুপ খুদিংমক্তা অৱাবা মায়োক্লহল্লে। তংদু লৈতাহন্দরে। মহৈরোয়শিং মহে তম্বদা অকায়বা পীহল্লে। ঙাইহাক লৈতনা তৌরিবা ইকনমিক ব্লোকেদকী চৈথেং পূন্নমক্না ফংলি। নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমগী মমলনা অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলক্লি।

নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমগী মমলনা অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলক্লিঁগী মতমসিদা চীংজিন্দা য়াম্না ৱানা উজখিবা লৌমীশিংনা লৌখাউ মতম য়ৌরে হায়দুনা লৌ খাউনবা, য়ৈনবা হোৎনরিবা লৌফমশিংদা কুল্লুবদা নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্ট কাঙবুনা নথৱায় মাঙনীংদ্রবদি চৎখ্রো হায়দুনা থংনবা খুলশিংদগী লাউথরকপদা মীতৈশিং লৌফমদা লৌ খাউবা, য়ৈবা ঙম্নদবগী ফীভমদা লাক্লরি। মণিপুরগী হিষ্ট্রিদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক হন্দক্কী মতাংসিদা থোক্লি, সিফাইনা ঙাক্লগা লৌ খাউবা য়ৈবগী থৌদোকসি। মণিপুর তম্পাক্তা ঈং-তপ্পসি ফনা ফজনা হঞ্জিল্লকপগী খুদমনি হায়বা তারে। ঈং-তপ্পদুদি লান লেপ্পরবা মতমদা লাক্কদবনি। কুকি-জৌ হুরানবশিংগী মায়কৈদগী লান লেপ্পরসি নৎত্রগা লান্দাবা তোক্লে হায়বগী পাউ লাউথোকপা লৈত্রি। অহোইনদুম নবেম্বর থা হৌবদগী লান কনশিনবগী পাউজেল মখোয়না ফোঙনা লাউথোক্তুনা চথরক্লিবসি। কুকি-জৌ ফূরুপকী ওর্গনাইজেসন ময়ামসিগী মনুংদগী অমত্তনা ঈং-তপ্পগী ৱাফম হায়রক্ত্রি। মতাংসিদা ষ্টেট লৈঙাক্না ঈং-তপ্পা হঞ্জিনবগী ৱাফম পল্লকপদা মরিং মরাংবা অমা ফাউহল্লকই। মীতৈশিংনা ঙসি ফাওবদা তৌরিবসি নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা লান্দারকপদা মদুগী লান ঙাকথোকপতনি। মীতৈশিংনা মখোয়দা লান্দারুবা লৈতে।

নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা মীতৈশিংদা অৱাবা পীবা লাল্লকসিদা গোৱাদা পাঙথোকখিবা ৩৭শুবা নেসনল গেমসতা ৭শুবা পোজিসন তাখি। নেসনল গেমসসিদা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ৩০, সিলভর মেদল ২২, ব্রোঞ্জ মেদল ৩০ ফংখি। অচৌ অচৌবা ইনাক খুল্লবা ষ্টেট ময়ামদগী হাইগৎলগা ৭শুবা মফমদা মণিপুরনা লৈখিবনি। অমুকসু য়েংবা য়াই মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা মণিপুরদা লৈরিবা ফূরুপ ৩৫গী মায় কনানা মিংচৎ পুরকই মীতৈশিংনা পুরকই। শান্ন-খোৎনবনা, আর্ট এন্দ কলচরনা মণিপুরবু মালেমগী মমাঙদা শক তাকই। মণিপুরবু মালেমদা শক তাক্তুনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকপদা মণিপুরনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না খঙগদবনি। হন্দক্কী লান অসিগী মতাংদা ৱাফম মচেৎ অমত্তা ফোঙদোক্তনা লাকখিবা নরেন্দ্র মোদিনা নুপী অনীগী ভাইরেল ভিদিওগী মতাংদদি সেকেন্দ খরখক ৱা ঙাঙখি। মণিপুরগী শান্নরোয়না চাইনাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা মেদল লৌরকপদসু নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। অদুগা অসুক শাংলবা মতমসিদনা মণিপুরদা নমদুনা নার্কো কুকি-জৌ হুরানবশিংনা থোকহনবা লান অসিগী মতাংদদি ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদ্রি। লানসি লোইশিন্নবসু হোৎনদে। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহসু নুমিৎ হুমনিখক্কী খোঙচৎতা লাক্লম্লগা অদুমক মণিপুরদা লাকখিদ্রে। ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না কূপ্না য়েংশিল্লি হায়দুনা তত্তনা হায়। তশেংনমকসু কুম্মৈ য়েংবগুম য়ুনিয়ন লৈঙাক্না য়েংদুনা লৈরি হায়বসি মখোয়না লীশাংশিংনা উৎলক্লিবা থৌওংসিনা তাক্লি।

মণিপুর ষ্টেট ম্যান্মারগা য়ূমথংননা লৈরুবনা ম্যান্মারদা থোকপা রাজনিতিগী য়াওল অওনবশিং অদুগী চৈথেং মণিপুরদসু ফংদুনতা লাকই। মিলিটরি জুন্তাগী লৈঙাক অমুক কুমজা ২০২১দগী লাকখ্রবা মতুংদা মিলিটরি জুন্তাগী মায়োক্তা লৈবশিং ম্যান্মার লৈঙাক্না তকখায়রকপদা মণিপুরদা ম্যান্মারিজ মশীং খঙদনা চেনশিল্লকই, শাইদাংফম লৌই। মসি মিজোরামদসু থোকই। অদুবু মিজোরাম গভর্ণমেন্টতি মপান্দগী চঙশিল্লক্লিবা মীওইশিং নীংথিনা মশক খঙদোক্লগা রিফ্যুজিগী ষ্টেটসতা থমদুনা কূপ্না শেন্নদুনা থম্মী। মণিপুরগীদি মথোঙ খঙদে। ঙমখে ঙাক্লিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনসু কয়া থৌওইদবগা লোয়ননা শক-চু লোল মান্নবা কনানা ফোরেন্নরনো, কনানা ইন্দিয়াগী সিটিজননো খঙবদা অৱাবা অমা ওইবগী মতৌনি। মরকসিদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা সূ চৎনখিবদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা সূগী লাইসেন্সকী মরুমদা তৌনীং তৌনীংবা তৌবদা ইন্দিয়াগী ফোর্সশিংনা য়েংশিনবা ঙমদ্রে। ম্যান্মার মনুংদগী চরাংনবা কয়ানা মণিপুরদা চাউরবা চৈথেং পীরকই। লাক্লিবা জিও পোলিটিকেল সিনারিও, চাইনানা মখোয়গী ইনফ্লুএন্স খা নোংপোক থংবা এসিয়াগী শরুক্তা শন্দোরকপা, ম্যান্মারগী মিলিটরি জুন্তাগা অফবা মরী থম্বা, নাকল অমরোমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকানা মায়কৈ অসোমদা মীৎয়েং থল্লকপা পূন্নমকসিগী চৈথেং মণিপুরদা য়ৌরক্লবনি। পূন্নমকসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুম্মৈ য়েংদুনা ৱাখল তৌদুনা মণিপুরগী ঈরাং লাকশিন্দনা য়েংদুনা লৈফম থোক্তে। জিওপোলিটিকেল কনফ্লিক্ট অসিদা মণিপুরবু বলিগী হামেং ওইহন্নবা হোৎনফম থোক্তে।

লোইশিল্লকপদা, নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা মরাল লৈজদবা মীতৈশিংদা নোংমৈ, বোম কাপশিল্লকপা লেপত্রি। মীতৈশিং অশি অনা নংলি। মণিপুরগী তম্পাক্লমগী মতাই চীংয়া তময়া খমথেংনা অৱাবা নংলকপা থাবুম তরুক হেনজিল্লক্লে। লান খাম্নবগী অকনবা খোঙথাং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পায়খৎপা উদ্রে। ষ্টেট লৈঙাক্লসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা লান লেপ্পবা তকশিনবা উদে। মসিনি অৱাবা। মীতৈশিংদা লান্দানীংবা মতমদা নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা লান্দাবগী ফীভমদনি লৈরিবসি। মণিপুর লৈঙাক হায়রগা তম্পাক্লম খরসিদা লৈবগুম তৌরে। ইনক নক্লা অৱাংলোমদা খিক্তং চলিগা লৈরিবা অৱাং সেকমাই হেক লাম্হোকখিবগা মীতৈশিংগী থৱায় মাঙফম ওইরে। শান্তি থম্নবনি হায়দুনা মণিপুর তম্পাক্লমগী চীংয়া তময়াদগী নোংমৈ অমদি অতৈ পোৎলমশিং লৈঙাক্কী ফোর্সশিংনা ফাগৎলি। অদুগা চীংদগীদি নোংমৈ বোম নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা কাপথবদি লেপত্রি। মরকসিদনি মীতৈ মীচম মীয়ামগীসু খাঙবা ঙম্বগী পনখে অমা লৈগনি, খাঙবগী পনখে লানখ্রবদি সনা লৈবাক মণিপুরসি করি ওইরক্কনি খল্লুবদা মম্মী। ●

# রিলিফ কেম্পকী মতাংদা

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

চৎলিবা চহী অসিগী মে ৩গী নুমিদাংদগী মশানা মশাবু কুকিনি হায়জবা খাঙুথক্কী উতাংবী কাঙলূপ খরনা চুড়াচান্দপুরগী মীতৈ তাবা মফম পূন্নমক, মোরেগী মীতৈশিংগী য়ূম, দুকান, হোটেলশিং অমদি তোর্বুং বাংলাগী য়ূম, শঙ্গৈই, ষণগোল, কোৎ পূন্নমক মৈ থাবা, লন থুম মাঙহন-তাকহনবীবা, মখোয়না পুবা য়াবা পুবা, হুবা য়াবা হুবা পূন্নমক অসি মীতৈ লাঞ্জেন্নরিবা মীওই লিশীং কয়াগী মফমদা পীরিবা চৈফু অসিগী চৈনাদি শ্রীল অমদি শ্রীযুক্তশিংনা খঙবীরবদি ফরে। করিগুম্বা খঙবীবশিংগী মনুংদা চিংথবা নান্থবা য়াওরবদি য়াম্না কূপ্না য়েংশিনবীবা অমা চংই। মোটবুংগী মফম কয়া, কংলাতোংবীগী মফম কয়াদা লন-থুম, ময়ূম-মকৈ কয়া মাঙহনবীরবা কয়া অমা লৈমখোংদা লৈবা মীতৈশিংনা লাঞ্জেন্নরিবা কয়াদগী লন-থুম কয়া হুরান-চিন্থি তৌখিবা কয়া অসিনা ভিক্তিম ওইদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিংনা তঙাইমক ফন্দনা লৈঙাক অমদি মীয়াম হুপ্না হোৎনবা মীয়াম্না খঙই, তাই, উরি। চাবদা, তূম্বদা, চৎথোক-চৎশিন তৌবদা মচা-মনাও অমদি মশুশিং মহৈ-মশীন তমহনবদা খুদিংমক কুমজা ২০২৩গী মে থাগী থৌদোক অদুগী মমাঙগী পূন্সি মহিং পূক্লিংদা অকিবা-তুজুংবা য়াওদনা মীতৈ ইমুংগা হৌজিক ঈরাং হৌরিবা মীওইশিংগী ইমুংগা নুংশিনরবা, চান্নরম্বা, অরৈ-লৈত য়েন্নরম্বা পূন্নমক মাঙবা হায়বসু য়াবা অমুক হঞ্জিল্লকপদা মতম য়াম্না চঙগদৌবা ওইরবনি। মসিদা নত্তনা নুংশিনবা থম্মোয়গী মরী ফাওবা তৎনবা হোৎনবা, নৌরিবা টিনেজর কয়াবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা মীহাৎ-মীপূন তৌহনবা পূন্নমক খূৎশেমগী লান ওইনা থোকহল্লিবা কয়া অসি ইন্দিয়াগী অমসুং মণিপুরগী লাইরিক লাইশু মপূং ফানা হৈরবা ৱাখল লৌশিং লৈরবা পূন্নমক্না খঙলবা উরবা তারবা ঙাক্তনি। লাল্লিবসি কনানো খঙলবা দায়ত্ব লৈবা কয়ানা তূমিন্না নাথৈরবদি মদু অফবা লৈঙাক, অফবা সিটিজন অমগী ৱাহন্থোক নত্তে।

কুমজা ১৯৯২দগী কাঙলূপ অনী উংখৎনবদা লৈখিদ্রবা থৱায় মাঙখ্রবা, লন-থুম কয়াদুদা নত্তনা কাঙলূপ অমনা কাঙলূপ অমদা থল্লম্বা থাজবা পূন্নমক মাঙখিবদগী ঙসি চহী ৩২ হৌখ্রবা মতম অসি ফাওবা মেনখৎপা ঙম্নদ্রি। থম্মোয়-থম্মোয় তিন্ননা লৈতানা হিংমিন্নবগী ৱাহন্থোক লৈতবদৌনা মমি তারি। কুমজা ১৯৯পদা বীক ব্রদরগী থৌদাং লৌদুনা নাকল অনীগী ময়ায়দা লেপ্লগা ৱাতাইশিন কয়া শেমজিন শাজিল্লগা কুপশিন্দুনা থল্লগা সনাগী থম্বাল থাগনি খল্লিবা ৱাখল অদুনি, মদুদা ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোনগী এগজিক্যুটিভ ওইরবা আই এ এস অমদি আই পি এস নখোয় নখোয়গী ফূরুপ কাঙলূপ অদুগী মীওইশিংদুনা করম্না মখোয়না লৈঙাক থৌদাং লৌরিবদুগী ৱাহন্থোক লৈখিগদ্রনে? মতিক চারে ইন্দিয়াগী লৈঙাক্কী মতেং পাংবদা, চাওখৎ থৌরাংদা, শান্তি রক্ষা থম্নবা হোৎনবদা মখোয় মখোয়গী ওইবা ৱাখল লৌশিং কয়াদু থবক ওইনা ওন্থোরক্লগা চাওখৎপা শান্তি ওইবা অদুগীদমক য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসননা ৱাখল লৌশিং লৈবা মহৈ মশীন মতিক চাবা কয়া খন্দুনা লৈঙাক্কী মতেং পাংহল্লিবনি। অদুবু লাইবক থীবদি মণিপুরগী মে ৩দগী হৌরকপা নার্কো টেররিষ্টকী লাননা মীওই কয়াগী পূন্সি, লন-থুম কয়া মাঙহন তাকহনবদা অমদি মীবু লানফমদা মায়োক্লবদা থোকপা মীশি মীনা নত্তনা চমজরবা মহৈরোয় অনীবু ফারগা মখূৎ চল্লবা মতুংদা মীওইবগী মচৎ নত্তবা শাগী লমচৎ ওইবা শাহিং ঙাহিং চাবা, ওৎপা য়াবা, নৈবা য়াবা নৈরবা মতুংদা মীহাৎ থীনা হাৎপগী ভিদিও অমদি ফোটো কয়া অমা মখোয় মখোয়না হাৎলমদাইগী ফোটো অদুদা লিন্থোইঙম্বীনা য়েংলমখিবা মীৎয়েংগী পাউখোঙ সংসার অসিদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইনা কৈদৌঙৈ ফোঙবা ঙমগনি। সংসার অসিদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাই অমত্তনা নার্কো টেররিষ্টকী শারমচৎ চৎলবা মীরমচৎকী ৱাংমদা লৈরবশিং অসিদগী ঐখোয়বু কনবীনবা কনাসু লৈত্রবরা হংলম্বা মীৎয়েংগী পাউখোং অদুদা থম্মোয় শোক্ত্রবদি মদু মীওইবগী লমচৎ শাজৎকী ৱাংমদা লৈবা মীনুংশি হায়বা অদু য়াওদ্রবা মীগী মওং মানবা শাগী লমচৎ চৎপা মখলগী মীওইবনি।

কুমজা ১৯৬২দা ইন্দো চাইনা লান, ১৯৬৫গী ইন্দো পাকিস্টান লান অমদি ১৯৭১/৭২ ইষ্ট পাকিস্টানবু মনিং মখা তমহনখিবগী বাংলাদেশ ওইখিবা মতমদা অসিগুম্বা শা-ঙাগী লমচৎ শাজৎ তাখিদে, উখিদে। নোংদম্বা মাগী নোংদমখোলনা হিজম চনু লুৱাংবী লিন্থোইঙম্বী পলেম পন্থৌগী নুমিৎ থাগুম য়েংজরম্বী অমদি ফিজম হেমজিৎ মহে মশীন তল্লিবা অপোকপা অপোকপী অনীগী আশা কয়ানা মাঙদা থাদুনা নোংথি নোংমংদবা অয়ূক্কী কোরৌ ওই, নুমিদাংগী লৈচিল নোংফাই থাংদবা অহিংগী মতমদা পানখৎলকপা থাজনা থোৎনা মেংনা ঙানবগুম ঙানজরম্বা অদুবু করিসু মরাল লৈজদবা মখূৎ চল্লবা শাগুম ঙাগুম চৎখিবা কনাগী থম্মোয় কায়রোইদগে।

মহাভারতকী লানদা মঙা পোকপী কুন্তিনা হায়খিবা ইমাগী ইবুংঙো কর্ণ নঙনা ননাও অর্জুনগা লানফমদা মায়োক্লবদা নঙনা ঙম্লে ৱাররোই ননাও অর্জুননা ঙমলে হরাওররোই। নঙগী লানগী লানবুংদা নঙগী নঙগী নতিক নথৌনা য়েংনজৌ। অদুগা ননাও যুধিষ্ঠির, ভীম, সোহদেব অমসুং নোকুলগী মফমদদি খূৎ থাগনু হায়খিবদুগী পাউতাক পাউজেলদু কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী লৈরিবা মী অমা ফাওবনা হিন্দু সাস্ত্রগী পাউতাক খঙদে হায়বনি। ধর্ম্মদি খুদিংমক নৈনগদৌবনি মদুগা অফবা মখে লৌশিল্লগা ঐখোয় মীওইবা মশেল মরক্তা হিংমিন্নরিবনি। মসিদা মপালগী লৈবাক কয়াদা লৈবা মীদিয়া কয়ানা অচৌবা হিন্দু কম্যুনিতি মীতৈশিংনা মাইনোরিটি খৃষ্টিয়ান কম্যুনিতিশিংদা মীহাৎ-মীপূন তৌরে হায়দুনা নাকল নাম্মগী মীচংদা লেপহন্নবা নার্কো টেররিজম্না মচিন মেন মেন্দুনা চৎলম্বদু কৈদৌঙৈদসু য়ারোই। কুইর-কুইরগা অচুম্বা কনানো, অরানবা কনানো খঙলক্কদৌবা ঙাক্তনি। করম্বা খৃষ্টিয়ান বাইবলদা খূৎলায় পায়দবা চমজরবা মীচমবু মীওৎ থীনা ওৎলগা লুরেল কককউ, মখোঙ মখূৎ পুল্লগা থাঙনা মকক-মকক কল্লগা হাৎলু হায়বা য়াওবগে, য়াওরবদি মালেম শিনবা থুংনা চৎপা ধর্ম্ম অমা ওইরিবা খৃষ্টিয়ান কম্যুনিটিনা তাকপীয়ু খঙদবা ঐখোয়বু খঙহনবীয়ু।

অসিগুম্বা অকক্লনা মণিপুরগী মীতৈদা ময়ূম মৈ থাদুনা লন-থুম পূন্নমক মাঙহন তাহনবা কয়া অসিদা খুল ঙাকপা অমসুং ঙাক্কে হায়দুনা চোংথোরক্লগা থৱায় থাখ্রবা মীতৈ পাথৌ লৈরমদ্রবদি ইম্ফাল সহর ফাওবা মখোয়গী বফর জোন ওইরম্বা য়ারবনি। ঙসি কুকিশিংনা ময়ূম মকৈ কয়া মাঙহন তাকহনবীখ্রবা কয়াগী চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা নার্কো টেররিজমগী চৈথেংনা লাঞ্জেন্নরিবা অঙাংশিংদা নার্কো টেররিজমগী চৈথেংনা লাঞ্জেন্নরিবা ইমুংগী চহী নৌরিবা অঙাং কয়াগী কোকশিংদা তাখিবা অকি-তুজুংবা মীওৎ মীনৈশিংনা তাখ্রবা দাগফমশিংগীদমক তঙাইফন্দনা লৌখৎফম থোকপা থবক কয়া লৌখৎপীদুনা রিলিফ কেম্পশিংদগী মাগী মাগী শাফগদবা মফম কয়াদা চাদবা য়াদবা, শেৎতবা য়াদবা মীয়াম পূন্না হিংমিন্ননবা হোৎনবদা অকিবা তুজুংবা য়াওদনবা লৈঙাক্না মেদিকেল এক্সপার্টশিংবু কূপ্না য়েংশিনহঞ্জনীংবগী অপাম্বা লাঞ্জেন্নরিবা মীয়ামগী মফমদা ফাওদবা নত্তে। লৈঙাক লিংবগী ৱাহন্থোক লৈহনবা মীয়াম্না পামগনি। লৈঙাক অমা লৈবগী চপ চাবা ঙাক শেনবা তৌবীয়ু। মোরেদা, চুড়াচান্দপুরদা, মোটবুংদা মীতৈগী লৈফম খুদিংমক মাগী মাগী মফমদা হঞ্জিলহন্দুনা শূজ-নোমজদুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীপূম খুদিংমক রিলিফ কেম্পশিংদগী হনবীখ্রবা হায়গদ্রা হলহনবীবা হায়গদ্রা লৈঙাক্না য়াম্না কূপ্না য়েংশিনবীদুনা মে ৩গী মমাঙগী পূন্সি ওইহনবীরকপদু মণিপুর মীয়াম্না ঙাইরি । ●

# মীতৈ নিঙোল চাক্কৌবা

- নাওরেম ব্রজমনি মৈতৈ -

মে ৩দগী হৌরকখিবা লান অসিনা মণিপুরগী মীতৈ হায়বা ফূরুপ অসিদদি য়াম্না চাউনা ইপা-ইপুশিংগী হাক্তক্তগী চৎনদুনা লাক্লবা চহী অমগী থৌরম নিঙোল চাক্কৌবা অসিসু অকায়বা অমা ওইহল্লে হায়বা তাই। খোংজাইগী লান অসিনা চীংখোঙ চীংয়াদা তাজবা মীতৈ মীয়াম্বু অসুক্কী মতিক অৱাবা তাহনবা অসিদি মীতৈ ফূরুপ্না ৱাদবা ঙমদে। লাঞ্জেন্নরিবা মীয়ামগী অৱাববু খল্লুরগা মীতৈ-মৈতৈ ঐখোয়গী চহী অমগী শোয়ফদ্রবা চাক্কৌবা অসিবু করম্না কৌদনা তোকসিগে করম্নবু কৌসিরা...?

মাঙলমচৎতগী চৎনদুনা লাক্লিবা নিঙোল চাক্কৌবা হায়বা থৌরম অসিদি অদুঙৈগী মতম অমগী ৱারীদা খুম্মন নিংথৌ পূন্সিবগী নাপলবু থুদেক্কে খল্লক্লে, লাইরেম্বী ময়ামগী শিন্থা পুদুনা লাক্লিবী পান্থোইবী ইবেম্মনা। নোংমদি নিংথৌনা মনাই মশলশিংগা লোয়ননা সাবল লমথোকপা কোংবা লময়েংবা লেঙথোক্লম্মী। মতম অদুদা পান্থোইবীনা নিংথৌগী মায়োক্তা মাগী মতিক খঙহল্লগে হায়দুনা অঙাওবী অমগী শক্তম লৌদুনা নিংথৌনা থোরকপা অদুদা মাগী মমাঙমক্তদা ফত্তবা খুদম পীরদুনা ফনেক শেগায়বা অমা শেৎলদুনা ফি শেগায়বা ময়াম কোন্দুনা লৈখি; মদু উবদা নিংথৌনা মঙোন্দা য়াম্না থীনা চৈরম্মী, মনাইশিংনসু অঙাওবী অদুবু থীনা-থীনা চৈদুনা তান্থোক্লম্মী। অদুবু পান্থোইবী ইবেম্মনদি করিসু থৌশাখিদে। অসুম্না নিংথৌনা মনাইশিংগা চৎপা মখে চৎলুরবা মতুং সনা কোনুংদা হঞ্জিল্লকপা মতমদদি মনাই মশল পূন্নমক ঙসাই লমজাউদা অঙাওবী অদুনা তৌবা মতৌগুম্না লৈরম্লে। অদুম ওইনমক নিংথৌ সনা পূক্লিংদা করি থৌসু শারুদে।

নোংমদি পান্থোইবীনা নহানগী অঙাওবী অদুগুম্না নিংথৌগী সনা শঙ্গাই নীংথিবদা চাক্লিবী শাদুনা চাক্লিরম্মী। অঙাওবী অদুগী মতৌদু উবদা নিংথৌদু য়াম্না তুক্কচরদুনা নুপী অদুদা থীনা চৈরম্মী। নিংথৌগী অয়াকপা মীচৈ অদু তারগা লাইরেম্বী অসিনা খাক্লা-খাক্লা নোক্তুনা মহাক্লা ইল্লিবা শেগায়বা ফি অদু কল্লম্লগা চৎখি। নোংমসু নিংথৌনা লাঙ্গোয় শগোল তোংদুনা মনাইশিংগা লম থোরকপদা ইবেম্মনা শেগায়বা ফিজোল শেত্তুনা য়াংকোক শেগায়বা অমা পায়রদুনা লমদাইবুংদা তাদুনা লৈরিবা চেঙ-হৱাই অদু খুন্দুনা নিংথৌনা লাকপা অদুগী মায়োক্তা চেঙ-হৱাই অদু খপ্তুনা লৈরম্মী; মদু উবদা নিংথৌনা য়াম্না থীনা অঙাওবী শারিবী লাইরেম্বী অসিদা চৈরম্মী। অসিদসু নত্তনা নোংমসু ইবেম্মনা মখল মখা কয়াগী মওং লৌদুনা চরৈ ফি অমোৎপা ইন্দুনা থুম্মোক শেগায়বা অমা মকোক্তা উপশিন্দুনা লমজাওদা চৎতুনা লৈরম্বসু থেংনখি। মদুদা নিংথৌনা চৈ থাংলম্মী, নিংথৌ মনাইশিংনসু নোক্লবীরম্মী, চৈবীরম্মী। মতুংদদি লাইরেম্বী অসিদা নিংথৌনা মরাল লঙজরুবা মরম্না খুমন লৈবাক অসিদা লৌ উরে, মরেক তাদুনা লৌ শিৎলে, থুমগোংসু থুমহী কংলে। অসিদগী লৈবাক অসি নোংমা নোংমগী অসুম ৱাশিল্লকপনা খম থেংনা ৱাবা লৈবাক ওইরে। লাইরেম্বী অসিদা চৈ থাংদুনা নোক্লরুবা নুপা-নুপী পূন্নমক ঙাওরক্লে। নিংথৌনা অখঙ অহে কয়া তানদুনা তিনখোং-লাইখোং থিনরক্লে। লৈবাক অৱাবা তারবা অদুদদি ইবেম্মা পান্থোইবীগী চীংঙু মপাউ অদুনা য়েংসি হায়না খন্নরে।

নিংথৌগী য়াথং মতুংইন্না খাবী অমাইবীনা শরীক চোমজাউ খীংলদুনা লাইগী মপাউ পীরক্লে : হে নিংথৌ অথোইবা ননাই নশল, পূক্কে-লনকৈ, নরল-নথুম পূন্নমক ময়েং তারিবদু কোকচগে হায়রবদি নবেম্বা পান্থোইবীদা, লফুন্দা ফি শেত্তুনা অমদি উদা ফি শেত্তুনা লৈবা মফমশিং অদুদা অথুম অহাউ কত্তুনা থৌনিজৌ ও। অসিদা নত্তনা নিংথৌ নঙগী নরৈবাক অসিদা লৈরিবা নিংথৌদগী হৌনা ননাই নশল যূম্বুম খুদিংমক্না হিয়াংগৈ থাগী নীনী পানবা, ফৌগৈ-চেঙগৈনা য়ূমবুম খুদিংদা কারকপা মতম অসিদা নঙগী নঙগী চনু নিঙোলশিংবু শারেং অঙাংবা শমশাংবীনা চাকেকৌরগা কোকচবা ওইজৌ। অসিদা নত্তনা, নুমিৎ অদুদা নিঙোলশিং অদুদা লাইরেম্বী ঐগী ইতিক ইয়াই চঙবনে খঙজহৌরো। অসুম্না নুমিৎ অদুমদি নিঙোলশিংনা মপামদা লেকপা/য়ারেকপা তারবদি পূন্নমক অমাঙবা ওইরো হায়না লাইরেম্বী অসিনা মপাউ চেল্লক্লে।

লাইবাউগী মতুংইন্না পান্থোইবীদা কৎপা চেঙ-হৱাই ময়াম অদু উচেক-ৱায়া ময়াম্না চাবা অমদি কোইচেন চেন্থোকপা উরগা নিংথৌ অমদি লৈবাক মীয়াম হুপ্না লম্বী লমজাওদা অঙাওবী ওইনা কোয়না চৎলম্বী নুপী অদুবু কোয়না শাৎনা থিনবদা ফংবা কৌবা মরৈখিদে। লাইগী মপাউ অসিবু নিংথৌনা শগোল তোংবা তম্বা নুপা তরাদা খুমন লৈবাক শিনবা থুংনা পাউ চেন্থোরক্লে। লাইবাউগী মতুংইন্না নিংথৌদগী হৌরদুনা মনাই মশল ফাওবনা মাগী মাগী মচল মচে পূন্নমক হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিত্তা শারেং অঙাংবা শমশাংবীনা চাক্কৌনবা থৌরাং তৌনখ্রে। নিংথৌসু মহাক্কী মমোম লাংলেন অমত্তা পোকচবী নুংনাংলৈমবু চাক্কৌজনবা শেম শাদুনা লোইখ্রে। নুমিৎ অদুমদি নিংথৌগী সনা কোনুংদা থৌদোক অমা থোকখ্রে মদুদি নিংথৌগী মচা ইবেম্মা নুংনাংলৈমবু চাক্কৌজরগা মমোম অদুদি লাক্ত্রগা নাহন অদুঙৈ সনা লমজাউদা অঙাওবী ওইনা উখিবী মহাক অদো ওইনা লাকখি। মদু উবদা নিংথৌনা চিংনবা ফাওরক্তুনা ইবেম্মবু হরাউ তরাম্না ওক্লদুনা চাক মবুক থন্না পীজরে। চাক তোক্লবা মতুংদা নিংথৌনা ইবেম্মবু খুরুমজদুনা লৈশি লৈথোঞ্জরকই : ইবেম্মা লাইরেম্বী নহাকপু নিংথৌ ঐহাক্লা নমু তাইবঙগী হৌনশা ওইবনা কাউজন নাইবা অমদি নিংথৌ ওইবগী নুংঙাইবা ময়াইনা থুম্নাৎখিদুনা তিনখোং-লাইখোং খঙজ হৌদবদগী ইবেম্মবু অকায় মীচৈনা চৈজরুরে, অখাবা-মীৎয়েংনসু য়েংলুরে, খঙজদবা নিংথৌনি লংজচাউবা তাইবঙনি, অশোয় অরান পূন্নমক ঙাকপীয়ু, ঙসি অহিং অসিমতংদি ননাইগী শঙ্গাই অসিদা য়ারেকপীরো, নিংথৌ ঐহাক্লা লাইরেম্বী নহাকপু থৌনিজহৌরগে।

নিংথৌগী মপাউ তাবদা ইবেম্মনা হায়রকই : হে নিংথৌ অথোইবা ও, নবেম্মা ঐহাক্তি তাইবঙ নমুপোং ওইবগী মোংবা মরানয়াইদা য়ারেকপা য়াদে য়ে। হৌজিক্তি নিংথৌ নহাক্লা নবেম্মা ঐহাকপু শকখঙজরবনিনা ঙসিদগী হৌদুনা লৈবাক অসি নুংঙাই য়াইফবা, চাকহোঙ-ঙাহোঙবা ওইজরো; অসিদসু নত্তনা হয়েং পোইরৈ চারোন শুরোন ফাওবদা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎ অসিদদি চনু নিঙোল খুদিংমক্তা পান্থোইবী ঐহাক্কী ইতিক ইয়াই চঙহৌরবনিনা নবেম্মা ঐহাক্লা য়ারেক্ত্রিবা অসুম্না লেক্তবা ওইহৌরো, মসিদা ইন্দদুনা য়ারেকপা থোক্লবদি পিবা ওইবশিংদা মাঙজবা ওইহৌগনি। ইবেম্মগী মতৌ উবদা নিংথৌশেনবা অহলনা লাইরেম্বীদা ওনশিল্লক্তুনা ইবেম্মা ননাই ঐহাকপুসু থৌজাল পীনবীয়ু হায়দুনা লাইরেম্বীদা খুরুমজরক্লে।

মতাং অসি লাইরেম্বীনা অহলদা ওনশিন্দুনা হায়রকই : হে নিংথৌশেনবা অহল ও, পঙমন্নসু পঙইদা, খঙমন্নসু খঙদেদা, খুথিন কয়াসু পীনখ্রে, অহল নঙনা মখঙদ্রবনিনা ঙসিদগী হৌদুনা নঙগী চাকোক শল্লাইবু অহোঙ-অচাউ ওইজরো। অসিদা নত্তনা নহাক্কী শাগৈ শল্লাইবুনা নবেম্মা পান্থোইবী ঐহাকপু নখোয়গী চনু নিঙোল ওইনা কুমজা খুদিংগী চাকলেন কৎচৌ ও, অদুদা নবেম্মা ঐহাক্লা য়াইফ থৌজাল পীবিরগে, অসুম্না থৌজাল পীবিরক্লে। মরম অসিদগী খুম্মন তাবা অহোংশাংবম শাগৈনা ইবেম্মবু মখোয়গী শাগৈগী চনু নিঙোল ওইনা কুমজা খুদিংগী চাকলেন কৎচখি। মসিদা চাক্লেন কৎলিঙৈদো ওইদা লৈবা নোংলৈ নুংশিৎ লাক্লবদি শাগৈনা ইবেম্মা লাইরেম্বী লাক্লে হায়দুনা হরাউনা খুরুমজে। মতুং তারকপদা পান্থোইবীনা নিংথৌ শকলৈপানলোমদা ওনশিল্লগা : ঙসিদগী হৌদুনা নরৈবাক অসি চাকহোঙ ঙাহোঙবা ওইরবনিনা নবেম্মা ঐহাকসু খোইয়ুমগী লক্তা তিনখ্রগে হায়না হায়রক্লে।

মতম অসিদা নিংথৌ শকলৈপানসু, অহল শাবসু লাইরেম্বীদা খুরুখুদক কুন্দুনা খুরুমজদুনা লৈতানা থৌনিজৈ। ইবেম্মা লাইরেম্বীদি খোঙফম তরেৎ থাংলগা চীকমাঙনখ্রে। মতুং তাবদি নিংথৌসু - ওন্থোকপা মতৌনিদা হে তাইবঙপান ঐখোয় অসিদি পঙমন্নসু পঙইদকো, অসুম্না লাইরেম্বী অসিদা পূন্সি চেঙজেল নিজহৌগদবদু নিজহৌদেদা। অসিদা নত্তনা নিংথৌ ঐগী মোংবা ইরানয়াই অসিদা ইমা ইমোইনু লাইরেম্বী লৈরিবসিগী মরম খরদং হংজহৌগদববু লাইরেম্বীগী মতিক মঙান্না কনমনখিবনা করিমক্তা হংজহৌদেদা হায়দুনা নিংথৌ অমসুং অহল অদু নীংঙমদা নীংঙমদা লৈহৌখি। মতুংদা নিংথৌনা অহল-শাবদা হায়রকই : ঙসিদগী হৌদুনা নহাক্কী শাগৈ অহোংশংবম হায়না খঙনহৌরসনু -

মতৌ অসুম্না খুমন লৈবাকপু ইবেম্মগী থৌজালদগী অৱা অনা কোকচদুনা নুংঙাই য়াইফনা পানখি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৭

১) **“ছৈরেং অনৌবা”** হায়বা লাইরিক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো?

২) **“ভর্তৃহরিশতকত্রয়ম্”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে ?

৩) **“য়াইথিংকোনু”** (২০০৪) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) **“য়ুরম্বীর চক্র (য়ু থকপগী মনা)”** হায়বসি ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করিনো অমসুং অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) **“লৈমপাৎকী থারিকথা”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।